## এডিটোরিয়েল

### বন্দগী মায়োক্তা লেপ্লকপা

*মহৌশা লাইরেন্বীগী পীথোরকপা গুণনা থল্লবা লমদম অসিগী মহৈ-মশিং তল্লিবা মহৈরোইশিং অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মহৈরোইশিংদগী থোইদোক হেন্দোকপা মগুণনা থল্লবা ঙাক্তনি হায়বসি ইন্দিয়ান সিভিল সার্ভিস কম্মিসনগী চহী খুদিংগী লৌবা পরিক্ষ্যশিংদা থোইদোক হেন্দোক্না ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মশিং য়াম্লবা মীয়ামগা কম্পিট তৌনবদা হায়বদি চাংদম্নবদা মীথোই মীহেল্লবা মীওই লিশিং ১ গী মনুংদগী মীওই ৪-৫ হেন্না চহী খুদিংগী য়াওশিল্লকপা অসিনা তাকচরবনি। লূরিবদি বন্দ অমসুং ব্লোকেদ কয়া অমা তোঙান তোঙানবা ইশুশিংদা চত্থরকপনা লমদমসিগী মহৈলোইশঙশিংদা অমদি মহৈরোইশিংদা অচৌবা শাফু অমা পী হায়বসি হৌখিবা চহী ৪০ রোম অসিদা থোক্লিবা থৌদোকশিংদগী খঙবা ঙমগনি। লমদমসিদা লৈরিবা মহৈরোই লূপশিংনা ষ্টেটসিগী মনুং চনবা লমশিংদা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা লমদমসিগী মহৈরোই খুদিংমক ট্রেন্নিং তৌদনা লমদমসিদগী হেন্দোকপা য়াদবা মওং অমা অথিংবা ওইনা লৈখি। মদু চৎনবা য়ারোইদবা পোলিসি অমগী মখাদা চৎলুবদগী থোকপা চৈথেং অমনি হায়না লৌবা য়াই। হন্দক মরক অসি তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা মখল মখা কয়াগী দিমান্দ তান্দুনা মশাগী হক পীনবা হোৎনরিবা লূপশিংনা কৌবা বন্দশিংনা মহৈরোইশিং অমদি নোংমগী চরা তাল্লগা ইমুং পুজরিবা মীওই কাঙলূপশিংদদি অচৌবা চৈথেং অমা পীরি হায়বসি য়াম্না শেংলবনি। মদুনা মরম ওইরগা মহৈরোইশিং অমদি নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা কাঙবুনা বন্দগী মায়োক্তা শিবা কিদনা মখোয়-মখোয়গী নুমিৎ খুদিংগী ওইবা থবকশিং অদু মথৌমক ওইনা অদুমক তৌরি। তশেংনা ঙসি ঙসিমক বন্দ অমা কৌরকপদা মীয়াম্না কয়া থওইনরক্ত্রে হায়বসি খঙফম থোক্লবনি। কান্নদবা ইশু অমগীসু বন্দ হেক্তা কৌশিল্লকপনা বন্দগী ব্রাহহ্লোক নোংম-নোংমগী লৈশিল্লক্তবগুম উরক্লিবসিগী অশোয়বসু খঙফম থোক্লবনি। তম্বা ঙমদে মওং তাদবা বন্দ নুমিৎ অমদা ত্রাফিক জাম ওইরবদি বন্দ পুন্নমক ফাগিনি হায়নরকপসু য়ারি। সরকারনসু, দাবী তাল্লীবনসু বন্দ নত্তবা উপায় শীজিন্নহল্লবদি মহৈরোইশিং অমদি নোংমগী চরা তাঞ্জরিবীশিংগী উপায় অমদি ওইবসু য়াই।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মথংগী ইলেক্সনগী য়েংলগা থবক তৌবা ফগনি

***ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,***

*মণিপুরদা শোক ২০১৭ কী অঙনবা মতমদা পাঙথোকপা য়ানা লৈরিবা ১১ শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা মরু ওইনা অকনবা লান্থা তৌনগদৌরিবসি কেন্দ্র শাসন পায়রিবা বি জে পি অমদি ষ্টেট শাসন পায়রিবা কংগ্রেসকনি।*

*মহৌশাদগী হৌনা ইলেক্সন মতমদা মাগী মাগী পার্টিশিংনা মরু ওইনা মশিং য়াম্না কাদুনা শক্তি পায়নবা হোৎনবগী চৎনবী তৌদুনা লাক্লি। হন্দক্কী লাক্লিবা ১১ শুবা ইলেক্সনদা ষ্টেটসিদা করম্বা পার্টিনা মেজোরিতি ওইদুনা সরকার শেম্লগদগে হায়বসিসু ষ্টেটসিগী প্রজা মীয়াম ভোটরশিংনসু নৈনদবদি নত্তে।*

*মণিপুরদা চহী ১৫ মনম লৈবাক তাদনা শক্তি পায়দুনা লাকখিবা কংগ্রেসনা মথংগী চহীদসু মখোয়না শক্তি শোয়দনা পায়খিগনি হায়বসিমদি মখোয়গী মফমদা থাজবা অমগা লোয়ননা লৈরমখিনি।*

*তেল্লবা মতম খরসিগী মনুংদা রাজনিতিগী ওইবা অহোংবা খরা লাক্তুনা মরু ওইনা মণিপুরগী প্রজা মীয়াম্নসু অনৌবা মথেল কয়াশিং চানিংলকপগী তানজা অসিগী য়েংলগা মথংগী চহীদা কংগ্রেসতগী শক্তি মুল্লগা ষ্টেটসিদা বি জে পি গী সরকার অমা থমদবা য়াদে হায়বসিমদি মখোয়গীসু তৌফম থোকপনি।*

*হৌজিক হৌজিকমক্কী মণিপুরগী লৈবাকসিগী ওইবা মরু ওইবা ইশুশিংদা সরকার পায়বা অমদি পায়দবা করি থৌদাংশিং লৌফম থোকপগে হায়বসিমদি হৌজিক্তগী মণিপুর প্রজা মীয়ামগী মমাংদা য়াম্না ময়েক শেংনা থমহনজনিংই। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী মতম মতমগী ওইবা ব্রাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা থবক তৌনবা হোৎনবদা লমদমসিগী প্রজা মীয়ামগী থাজবা মাংশিল্লকপা কয়াসিনা করি খোংথাংশিং লৌখৎলগা য়াইফগদগে হায়বা খুদিংমক্না খন্থরগা থবক তৌবা মথৌ তাই।*

*হন্দক্তা ষ্টেট বি জে বি মণিপুর প্রদেশকী ওইনা মরু ওইনা লাওথেধাকখিবা ষ্টেট ইকজিকুইটিভ কমিতিগী মেম্বরশিংদা কেন্দ্র অমদা মীওই ২-৩ ফাওবা খল্লিবা কয়াসিনা পুন্না পার্টিগী মীরেপ ওইনা টিকেৎ পীবদি য়ারোইদবনা পার্টি মনুংগী নুংঙাইনদবা কয়াশিং তক্তনা থোকপগী থৌদৌ কয়া অমা মমাংথক্তসু লৈখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা অতোপ্পা পার্টিশিংনা চাওনা খুদোংচাবা লৌনবগী মচাক ওইহল্লি।*

*ইলেক্সন ময়াদা পার্টিগী টিকেৎ লাওথোকপগী মহুত্তা মতম লৈরিঙৈদা লাওথোকপনা হেন্না মরম চাবা খোংথাং ওইগনি। পুন্নমকশিং অসি খংনা মতম চানা থবক লৌখৎপগী তঙাইফন্দবা কয়া লৈ।*

*হেন্না ব্রারৌবা পুকলৌবা পোক্নদ্রিঙৈদা থবক তৌবসিনা নুংশিনবগী চাং ব্রাংগনি। লোয়ননা মতম চানা অশোয়বা অরানবশিংসু খংবা ঙমগনি। পূন্নমকশিং খংনা থবক তৌবদা য়াইফবা ওইগনি কাওবীগনু।*

**অদোমগী**
**কোন্থৌজম মনিহার সিংহ**
**সেকমাইজিন খুন্নৌ**

জেলিয়াংরোংগী অপোকপা জাদোন্নংঃ

# অথৌবগী থব্রায়না ঈহৌবু মায়কৈ চুম্না পুহল্লক্কনি

হাওবা

চাকথুং ফিথুংদ্রবা মীয়াম অমসুং সাগৈ অমত্তগী মীওইশিংবু পুনশিন্নবা ঙমহন্দনা মচোই তানা চাইখায়হনবিরবা মীয়াম্না অপুনবা শক্তমগী অমসুং য়াওল ঈহৌগী খোল্লাও লাউরিবা থব্রায় পানবা খোঞ্জেলশিংগী মরক্তা জেলিয়াংরোংগী য়াওন খোঙথাংগী খোল্লাওসু য়াম্না তোপ-তোপ্পা অমনি। খা নোংপোক এশিয়াগী নোংচুপথংবদা লৈরিবা নৎত্রগা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোকথংবদা লৈরিবা হিমালয় চীংশাংগী নাপোম ওইরিবা মণিপুর, নাগালোন্দ অমসুং আসামগী লমদমশিংদা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা মশাগী য়েলহৌ শক্তম ঙাক্লা লৈজরক্লবা মঙ্গোলোইদ শাগৈগী ফুরুপশিংনি জেলিয়াংরোং। পুইমৈ য়াওনা জেমৈ, লিয়াংমৈ অমসুং রোংমৈগী অপুনবা মমিংনি। মখোয় মশাগী তোপ-তোপ্পা মীহৌরোলগী পুৱারী লৈজে, মদুবু মীরোল অমদগী অমদা চীঙ্কাং ৱারী ওইনা লেপ্পা লৈতনা ঙসি ফাওবা চেকশিন্না পুথদুনা লাক্লি। জেলিয়াংরোং ফুরুপশিংগী তোঙানবা লোন, পারি-পুরিগী চৎন-লোনচৎ নাৎ লৈজে। মীতৈশিংনা অতিয়া গুরু শিদবা লাৎপগুম্না মখোয়না টিংকাওরগ্বাং (পুন্নমকপু শেম্বীবা) ঈরাৎলি। মীতৈগুম্না লাইরেম্বা লাইরেম্বী খুরুমদুনা অনৌ-অপেন চান-থরুবা লাইদা কৎলি।

মণিপুর, আসাম অমসুং নাগালোন্দগী চীংমায়শিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা মখোয়না খুন্দারি। পুন্না স্কোয়ার কিমি ১২০০০ পাক চাওবা লমদম্নি। জেলিয়াংরোং ঈহৌগী পান্দমদি চোয়জায়ননা তাখ্রিবা মখোয়গী ফুরুপচা মীয়ামবু অপুনবা লৈঙাক পথাপকী লৈই অমগী মনুংদা পুন্না লৈমিন্নদুনা মখোয়গী য়েলহৌ ঙগী তোপ-তোপ্পা শক্তমবু ঙাক্তুনা থম্বগা লোয়ননা লৈচাওরোলগী চাউখৎ-খোঙথাং তানবনি। লাইনীং-লাইশোল অমসুং লিরবা চৎন-লীচৎ য়োকখত্তুনা থম্বগা লোয়ননা নীংথিনা তাশিন-খোমজীল্লবা খুন্নাই অমগী থোঙ্গাল ফাৎপনি। লীক্রুম্না তৎত্রবদি মনীংতম্বা নাগারাজ অমা ফংনবা পান্দম তৌরকখিবনি।

জেলিয়াংরোং ঈহৌ অসি হায়পৌ জাদোন্নংগী লুচিং মখাদা ইং ১৯২০ অসিৱাইদগী হৌরকখিবনি। নুংবাগী মনাক্তা ওল্ড কাছার রোড ফাওদুনা চৎলিবা বরাক তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বানগী কম্বীরোন খুন্দা ইং ১৯০৫ দা পোকখিবনি জাদোন্নং। ঈহৌ অসি অহানবা ওইনা হৌরকখিবা মতমদদি কবুইশিংগী খুন্নাইগী ওইবা অমসুং লাইনীং লাইশোনগী ওইবা ঈহৌ অমা ওইনা মহাক্কী মীয়াম্বু মমীৎ মমায় পাঙহনবা, লৌশিং তামিন্নবা অমা ওইনা চত্থখিবনি। মায়চৌ অমগুম্না তুংদা থোক্লগদবা থৌদোকশিং উশিনবগুম্না অমসুং মীওইবগী অনা-অয়েক কোকহন্নবগী পাউতাক পীবা ঙম্বা মীশক অমা ওইনা কবুই মীয়ামগী থাজবা অমসুং নুংশিবা ফংবা ঙমখি। থাইনগী চৎনবীগী মনুংদা কান্নদবা কয়া শেমদোক-শাদোক্তুনা য়েলহৌ লাইনীং লীচৎপু হেন্না চাওখৎহল্লগা মদুবু লীদুনা থম্বগা লোয়ননা কবুই খুন্নাইগী কলচরেল নেস্নেলিজমদা য়ুম্ফম ওইবা লৈশেমলোন অমগী লম্বী ফাৎখিবনি। মহাক্না চীংগী খুল অমদগী অমদা চত্তুনা অনা লাইয়েং হৈবা মায়বা অমা ওইনা থবক তৌরম্মী অমসুং ঈ মশেলগী শাগৈ শলাইগী ওইবা ফুরুপ অহুম্ন অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হোৎনরম্মী। পান্দম অসি ফংলবা মতুংদদি মথংগী পান্দমদি বৃটিশ লোয়লম লৈঙাক্কী মায়োক্তা পুন্না লেপমিন্নদুনা 'মকম্মৈ' হায়বদি জেলিয়াংরোং নীংতম লানগী লাম্ছেং পীনবগী চায়নপুঙ থোনগৎপা অসিনি। মহাক্না বৃটিশকী লোয়লৈঙাক মতম লোইশিল্লক্রে অমসুং 'মকম গ্বাংদি' (জেলিয়াংরোং লৈবাক) নৎত্রগা 'নাগা রাজ' থুনা লিংলগনি হায়না কবুই মীয়াম্বু থাজহন্দুনা মীয়ামগী মতেং নিরম্মী লোয়ননা সিভিল দিসওবিদেন্স ঈহৌ হৌরম্মী।

জাদোন্নংগী ৱাখল্লোন্দা 'মকম গ্বাংদি' ফংবগী পান্দম অসি অহিংসাগী পাম্বৈনা ওইথোক্লোই হায়না থাজখি। পান্দম অসি য়াওল লানহৌনা ফংগনি হায়না লৌখি। মসিবু ফংনবা মহাক্না লাল্লোং অমা কাঙলোন নাইনা শেমগৎখি। কলচরেল নেস্নেলিজমদা য়ুম্ফম ওইরগা মোবিলাইজেসন চত্থরবা তুংদা খুৎলায় পায়খৎনবা হোৎনখি। লাইনীং লাইশোন, জগোয় ঈশৈ নৌহৌনা শেমগত্তুনা হুইয়েন লাল্লোং (মার্সিয়েল আর্টস) পাকশন্না তম্বীবা হৌখি। 'রিফেন' কৌবা নহা ওইবশিংগী লাম্মী তেঙ্গোল লিংখৎখি। মহৌশা শীজিন্নরম্বা খুৎশু-খুৎলায়শিং নৌহৌনা শেমগৎ-শাগত্তুনা অমসুং ত্রেনিং পীদুনা অমদি ৱাহৈ ওইনা লাউদুনা ড্রিল কমান্দ তৌবা হৌদোকখি। মতমগী ওইবা নোংমৈশিং খোমজিল্লম্মী। মহাক্কী লাম্মী মকোক থোংবশিংবু তমেংলোং অমসুং অসামগী লমদমশিংদা তারিবা কচ্চা নাগাশিং অমসুং কবুই ফুরুপচাশিংদা লানগী পাউজেল পীহনখি। অসুম্না হাইপৌ জাদোন্নংনা কবুই ফুরুপচাশিংগী থাজবা ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা মনীংতম্বা জেলিয়াংরোং লৈবাক অমগী পান্দম মায়পাক্না চত্থনবা হোৎনখি।

মীয়াম্না তাবদা খোইরাংবা পোকহনবা অমসুং মীয়ামবু ঙাওহনবা ঙম্বা জাদোন্নংগী মরুওইবা খোল্লাউদি "মকম মৈরুই গ্বাং তুপুনি" (মেকম্মৈনা লৈঙাক্কনি) হায়বসিনি। মহাক্কী য়াওল ঈহৌ অসিনা মতম অদুগী ইন্দিয়ান নেস্নেলিজম শাগৎপগী অমসুং নীংতম ঈহৌ শাগৎপগী মতমগা চান্নখি। জাদোন্নংগী 'মকম গ্বাংদি' ঈহৌ অসি শক্নায়রবা উরসুলা গ্রাহম বোৱরনা তোপ-তোপ্পা শীংথারি। 'নাগা হেৱন-অ মিল্লেনিয়ম এন আর্থ' না পল্লিঃ "মফমসিদা য়াইফ-নুংঙাইবা মরাং কায়বা, অৱাৎপা লৈতবা অমসুং অৱা অনা লৈতবা লমদমসু ওইরে।"

জাদোন্নংনা মীয়ামদা তাইবং মপুবু থাজবগা লোয়ননা ঈরাৎকদবনি, মদুনা খুঞ্জাশিংবু নুংঙাই-য়াইফহনগনি হায়না চেৎশীন্না হায়রম্মী। মহাক্কী লাইদা থাজবা অমসুং লাইনীং লাইশোন্দা য়ুম্ফম ওইবা কলচরেল নেস্নেলিজম অসিবু চীংমীশিংগী নুংঙাই য়াইফরক্কদবা 'অনৌবা চহীচা অমগী জাদোন্নংগী ঈহৌ' কৌবা য়াই হায়না সোসিওলোজিষ্ট অমসুং অতোপ্পা পুৱারী ইবা হিষ্ট্রিয়ান খরনা ফোঙদোক্লি। লৈবাক অমগী মনুংদা লৈরিবা মীয়াম্বু লৈঙাক লৈশেমগী ওইনা পুনশিন্নবা মহাক্না হোৎনরম্বা থৌওং অসিমক অৱাংবা থাক্কীনি। মহাক্কী লুচিংখাদা মীয়াম্বু লাইনীং লাইশোনগী থোঙ্গান্দা, লাইশঙদা পুল্লপ তাশিন্নহন্দুনা খুন্নাইগী ওইবা তোরোৎ খোইদানবা অমসুং মান্নবা থাক্কী খুন্নাইরোল পুরক্তুনা অমদি মহাক্না শেমদোক্লবা লাইনীং লাইশোল অমসুং অপাম্বা অদুবু হরাও হরাও য়াবীরবা মীয়াম্না বৃটিশ লোইলৈঙাক্কী য়োৎহিলং থদৎতুনা লায়না তীলনা চেন্দ্রবা, চাক তাঙবা থোক্ত্রবা অমসুং বৃটিশকী টেক্স অমদি পোখাঙ পুবা কোক্লবা লমদম অমা ওইহনগনি হায়না থাজবা পীখিবনি।

জাদোন্নংগী খোল্লাউ 'মৈকম মৈরুই গ্বাং তুপুনি' অসিবু মীয়াম্না চপয়ুংনা থাজরম্মী। মতমদুদা এমকে গান্ধীগী লূচিংখাদা ইন্দিয়ান নেস্নেলিজম ঈহৌ চত্থদুনা আসামগী তম্পাকলম য়ৌরক্লবদা জাদোন্নংনা শীৎচিল্লক্লিবা য়াওলগী নুংশিৎ অদুদগী নাথেবা পামখিদে। ইং ১৯২৭ চঙলকপদা 'অপৌ গান্ধি' সিলচরদা লাক্কনি হায়বা তাবদা নাগা পাখঙ, নাগা লৈশা চামা চামনা গান্ধীবু ওকপা ওইনা কবুই জগোই শাহন্নবা থৌরাং তৌখি অদুবু গান্ধিদি লাকখিদ্রে।

ইং ১৯২৭ চঙলকপদা মহাক্কী অৱাংবা মিংচৎ হেন্না মঙাল নাইরকপগা লোয়ননা মহাক্কী মতমসু লোইশল্লকখি। এস জে দনকান কৌবা অসামগী এস দি ও গী য়াথংনা মহাকপু ফারুরবা মতুংদা নুমিৎ হুম্নি লৈরগা অমুক থাদোকখি। মদুনা মহাক্কী মিংচৎ হেনগৎখিদুনা ঈহৌগী পাঙ্গল হাপখি। ইং ১৯৩০ চঙলকপদদি মৈকম গ্বাংদি ঈহৌ ঙমজবী থাদুনা চত্থরকখি। ইং ১০৩২ দদি কবুই মীয়াম অমসুং কচ্চা নাগা মীয়াম্না লোইলৈঙাক্তা টেক্স থীররোই অমসুং মথং চহীদা নীংতম্বা কবুই নাগা রাজ ফংলগনি হায়না প্রোপেগন্দা লাল্লোং কন্না চত্থরকখিবা শক্রোনশিং অদু নাগা হিল্সকী দিসি জে পি মিল্লনা ওঠোরিটিদা পাউদমখি। মসিগী মতুং ইন্না মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট জে সি হিগিন্সনা ইং ১৯৩১ ফেব্রুৱারী ১৯ দা কাছারগী ভুবন চীংদা লাই খুরুম্বা চৎখিবা জাদোন্নং ফানবা হোৎনখি। অসুম্না অসামগী দি সি না মহাকপু ফারগা মণিপুর লৈঙাক্তা শিন্নরকখি। মরক অসিদা জে পি মিল্লনা সুরমা ভেল্লিগী কম্মিশরনদা মার্চ ১৬, ১৯৩১ দা থাখিবা চেরোল অমদা পল্লিঃ জাদোন্নং অসি লাইনা থারকপা মাইবা অমা ওইবদা নত্তনা নিংথৌ অমা ওইনা পান্নবা মতম অদু লাক্লগনি হায়বা মীওইনি হায়খি। বৃটিশ লৈঙাক্কী মতম নাগাশিংগী মতম লাক্লগনি, চহী মঙাগী মনুংদা মায় পাক্লগনি হায়না পাউদমখি। অসিনা মরম ওইদুনা মহাকপু মীহাৎপগী মরাল শীজিন্দুনা আগষ্ট ২৯, ১৯৩১ দা ইম্ফালগী জেলদা থৌরী য়ান্দুনা হাৎতোকপীখি। মশা মরেং ফন্না হৌগৎলকপা লোইলৈবাক্কী মমল য়াম্লবা পাম্বীশিং খন-খন্দুনা মহোক্লবা হোৎরবসু, কাঙলূপ ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশিনদনবগী হু ফুমহন্দুনা টাইম বোমগুম্না পোকখায়নবা হোৎনরম্বা বৃটিশ লোইলৈঙাক্কী থৌওং অসিবু কবুই মীয়ামদা নত্তনা মণিপুরগী মীয়াম্না থম্মোয় শোক্না নুংঙাইখিদে। পেন্দবা অসিবু থৱায় পালহনখিবী জাদোন্নংগী তুংইনবী গাইদিনলিয়ুনা লৈশেম্লোনগী মার' খোঙ্গুল লীরকপদা খোঞ্জেল থোকখিবনিঃ "অত্তৌবশিংসু নিংথৌ লৈজে, তাওজোংমৈ (ইন্দিয়া) গীসু লৈজে। অদুদি ঐখোয়গী ইশাগী নিংথৌ করিগী লৈরোইদৌরিবনো? পুন্নমক চপ মান্নে। ঐখোয়গী নুমিৎ লাক্তবা য়ারোই...।" মফুরুপ মরমদম নুংশিজবগী মহয় ওইনা পুন্সিবু শাইরেন চনবিখ্রবা অথৌবা হাইপৌ জাদোন্নংবু ইকায়খুম্নদবা, শীংথাবা ঙমদবা মীশক তাঙগনি। মহাক্কী থৱায়না গাইদিন ল্যু কয়া পুথোক্তুনা মরৈবাক নুংশিবগী পান্দম তানবনা অথৌবা জাদোন্নংবু নীংশিংবগী ৱাহন্থোক ওইরবসু অতৈ ফুরুপ কাঙলূপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবা ঙম্বগী মগুণ চেনবসু মরুওইবা ৱাহন্থোক ওইগদবনি।

# ত্রিপুরাগী থৌদোক্তা পোকলকপা ৱাখল

বামোন অমুমচা

হন্দক্তা ত্রিপুরাদা থোকখিবা থৌদোক অমনা অৱাং নোংপোক লমদমগী মরু ওইনা মণিপুরগী য়েলহৌমী শিংদা খঙপ্রেক খঙহনখি। মতম অমদা মপান ফনা মশাগী লৈবাক্তঠ লৈঙাক সাসন তৌজরম্বা ত্রিপুরিশিংনা মখোয়গী মরমদমদা মখোয়গী অপাম্বা খর ফোঙদোকচনবা খোঙচৎ অমা চৎচবদা মখোয়গী মরৈবাক মুনবীখ্রবা মপান লমদগী থোমজিলকখিবা মীতোপ বাঙ্গলীশিংনা থুগাইদুনা মীওই কয়া অশোক অপন নংহনখি। লৈঙাক সাসন ৩ নত্তনা মরমদম মুনবীখিবদগী চীংনুং মানুংদা মাইদাংদুনা লৈখ্রবা ত্রিপুরীশিংগী লূপ ইন্দিজিনস পিপলস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরানা মখোয়গী হিংবগী হক তানবগী তাঞ্জা ফাওবা ফংহন্দবা হায়বসি ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমগী পুৱারীদা নৈনবা য়াবা য়াম্না অর্থ লৈবা থৌদোক অমনি। পুৱারীগী তাঙ্কক অমদা মৈতৈ ত্রিপুরী কছারিশিংনা মণিপুর ত্রিপুর অমদি কছারদা মপান ফনা পান্দুনা লৈরম্বনি। অদুবু ত্রিপুরী অমদি কছারি মফম অমদি মতমনা পুরকপা পুৱারীগা ইচেলদা লূপশিনখ্রে। হন্দক খক্তং ত্রিপুরিশিংনা মখোয় হিংলি হায়জগে তৌরুবদা বাঙ্গালি শিংনা ফুগাইবিখিবা অসি কয়াদা পুক্লিটং নুংশিনিংঙাইনো। ত্রিপুরাদা ত্রিপুরিশিংনা হৌজিক তারিবা দষা অসি নোংমদা বাঙ্গালিশিংনা পুলপ লাক্লগা লান্দাদুনা লোই চন্দুনা ত্রিপুরিশিংদু তাম্থোকখিবা নত্তে। লৈবাক অসিদা য়ুমথংননা লৈরিবা বাঙ্গলাদেশ (মত অমগী ইষ্ট পাকিস্থান) দগী বাঙ্গালিশিংনা তপ্পা তপ্পা চংশিলক্তুনা লৈবাক মচা অসিবু লিন্না হঙোই য়োৎপগুম তপ্পা তপ্পা য়োৎশিনখিবনি। ত্রিপুরিশিংগী মরাইবক অসি খন্থরুরগা মৈতৈশিংসু ইকুই কুইদনা ত্রিপুরিশিংগী দষা অসি তারক্কদ্রা হায়বা ৱাহং অমা মাঙদা তরং তরং চোংথোরকলক্লি। চহী ২০০০ গী নাখৈ শেংবা পুৱারী লৈজবা অদুগা মতম অমদা ব্রহ্মা (ম্যান্মার) অমদি হৌজিক্কী অসামগী শরুক খর ফাওবা মখোয়গী লৈঙাক মখাদা থম্বা ঙল্লম্বা মৈতৈশিংগী তুংলমচৎ করি ওইগদগে হায়বসি হংনরল্লবা ৱাহং অমনি। হৌজিক মৈতৈশিংনা তরক তরক খুন্দারিবসি মণিপুরগী অপুনবা লমগী শরুক তরা থোকপগী অমখক ওইবা তম্পাক লম অসি খক্তদনি। অতোপ্পা শরুক মপাল অসিদা চংলুবা য়াদে। অদুবু পীকখ্রবা তম্পাক লম অসিদদি শরুক মাপল ওইরিবা চীংগী লমদা খুন্দারিবা মীওইশিংনা খুন্দানিংবা মফমদা খুন্দাবা য়াই। মসিগীসু মথক্তঠ মপান লমদগী লোন্না অমদি ফোঙনা চংলকপা মীতোপ শিংসু তম্পাক লম অসিদদি অদুম খুন্দাবা য়াই। ফীভম অসিদা মণিপুরগী তম্পাক লম অসি জাতি কাংলূপ খুদিংনা মপু ওইবা লমদম অমা ওইরক্লে। মণিপুর অসি লৈঙাক সাসন নিংথি নুংঙাইনা লৈতবা ম্যান্মারগা ফাওদোক পাওজিন তৌবদা অথিংবা লৈতবা ঙমখৈ শাংনা তিন্নবা অসিনা লৈবাক অসিদগী কুকি চীন কাঙবুগী মীওইশিং মহৌশা নোংপোক পাকিস্থান অমদি বাঙ্গলাদেশতগী থোমজিলকপগুম অথিংবা লৈতনা থোমজিলক্লি। মসিগীসু মথক্তঠ ইন্দিয়াগীঅৱাং নোংপোক্কী লমদমশিংদা আইন কাইনা চংশিলকখিবা বাঙ্গালি মুসলিম শিংগী চাকথুং মণিপুরনসু ফংলি। অসুম্না চংশিলক্লিবা মীতোপ শিং অসি অহানবদা চীং মান্দা লৈরম্বদগী মথং মথং কুমথরক্তু না হৌজিক্কী তম্পাক্কী লোইজিং লোয়া অয়াম্বদা খুন্দাশিনখে। লোয়ননা ইম্ফালগী মরু ওইবা মফমশিংদসু মখোয়গী কোলোনি শেমদুনা নোংমা নোংমগী ফীভম চেৎশিনবা হেঞ্জিলক্লি চৈরক অসিদা য়েলহৌমীশিংগী ফীভম ফত্তে হাবগী নুংনাংবা পোক্লবা মৈতৈশিংগী মরক্তা মখোয় মশাবু কঞ্জবা য়ানবা আইনগী ঙাকলৌ পীনবগী সহৌ শাগৎলক্লিবা অসিদসু মখোয়না অকনবা মওংদা য়েৎপা অসিসু য়াম্না অর্থ লৈবা লাল্লোং অমনি হায়না লৌদবা য়ারোই। মৈতৈশিংনা য়েলহৌমী ওইনা হিংজনবা চৈঙাক শেম্বদা মরম অমতা পীবা ঙমদনা অয়েৎপা পীবগী অর্তদি মখোয়গী নোংমা নোংমগী থোমজিলক্লিবা মীতোপ শিং অসি অথিংবা পীহন্দনা মৈতৈশিংসু ত্রিপুরিশিংগুম ??? শিংবু য়োৎশিনখিগে হায়বনি হায়না লৌবা য়াই। হৌজিক হৌজিক মকসু মণিপুর তম্পাক্কা চীংগা তাইনবা হান্ননা মৈতৈশিংনা শনজেন শনঙাক তৌরম্বা শিং য়েন ??? মফম কয়া মথং মথং তকশিলক্তুনা খুন তাশিলকপদগী কাঙলূপ অনীগী মরক্তঠ মুন্নবগী পাউ কয়া লৈতবা নত্তে। অদুবু লাইবক থিবদি লৈঙাক সাসনগী চুকলি পায়রিবা শিং অসিনা মজাতি অমা মুৎশিল্লগী লম্বীদা চংশিলকপা অসিদা ৱাওই থওইদনা লৈথোকপগী মওং উবা অসিনি। মখোয়গী ঙাইহাক ঙাইহাক্কী রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌদুনা থবক হাপ্পা থিবা তৌবা চেঙ করবার তৌবগী ৱাংমদা ঐখোয়গী লৈঙাকলোই শিং অসিনা উবা ঙমদ্রি। অমরোমদা মীতোপ থিংগনি য়েলহৌমী কনগনি হায়দুনা চোংথোকলক্লিবশিংনসু মখোয়গী মীৎয়েং অসি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী মতম খরগী ওইনা থবক শুবা লাকপা মীওইশিংদা অতম্মনা মীৎয়েং থম্বগুম তৌরি। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিদি মখোয়না শুরিবা থবকশিং লমদম অসিগী ঙাওচৎনদুনা লৈরিবা মীয়াম্না হেক শুবা হৌবদা অদুম চৎহনখিবা য়াবনি। মখোয় অসিদগী হেন্ন লুবদি লমদম অসিগী চীং অমদি তমগী য়েলহৌমী শিংগসু শকচু মান্নবা মীতোপ ময়াম অমা ম্যান্মারদগী হায়জিলক্লিবা অদুগা লমদম অসিদা খুন্দারিবা মুসলিম শিংগা মান্নবা বাঙ্গলাদেশকী মুসলিমশিং থোমজিলকপগী থৌওং অসিনি। ৱাফম অসি ইখঙ খঙনরবসু চীং -তমগী মরিগী, জাতি মশেন নুংশিন্নবগী ৱাফমদা মীৎয়েং থম্লগা ফোঙনা হায়দোক্লবা ইঙম ঙম্নদবগুম তৌরি। অদুবু অসুম্না অসুম চৎথরকপা তারবদি তুংলমচৎতা লমদম অসিগী য়েলহৌমী অমা ওইরিবা মৈতৈ অসি পুৱারীদা লৈরম্বঠ ফুরুপ অমা ওইরক্লোই হয়নিংঙাই লৈতে।